মীখলগা মরী লৈননা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচএনএস):

লাক্কদৌরিবা ২৯-কুম্বী এ সীগী ইলেক্সনগা মরী লৈননা নাওদখোং কম্ম্যুনিটি হোলদা বুঠ লেভেল কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা শীন্দুনা বি জে পিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা হান্নগী ৱাংঙু জি পিগী এক্স উপ-প্রধন কে ঐচ বিজয়, হান্নগী ৱাংঙু তেরাখোং জি পিগী ৱার্দ মেম্বর এস মনি, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৬কী কাউন্সিলর দব্লিয়ু নন্দকিশ্বর অমসুং এক্স বি জে পি কেন্দিদেট ২৯ কুম্বী এ সীগী খাংঙেম্বম নবকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা খাংঙেম্বম নবকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী স্কিমশিং, মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়ননা য়ৌহন্নবা হোৎনগনি। পি এম কিষানগী বিনিফিসরি ওইরবা এ সী অসিগী মীয়ামদা বেঙ্কতগী এ সী সীগী লোনশিং মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৌর্ড-শিংর্ডবগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা মায়পুননা হোৎনদুনা এ সী অসিগী লৌমীগী পোত্থোকশিং কুমজা ২০২২ দ শরুক অনী হেনগৎপা হায়বা নরেন্দ্র মোদিগী মঙ মঙফাওহনবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না খাংঙেম্বম নবকুমারবু শৌগৎপগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নগনি হায়বগী ৱারেপসু লৌখি।

শুরচন্দ্রগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন : দিফেন্স...

লামায় ১গী মখা... কাউন্সেলনা মহাক্কী আর্গ্যুমেন্টশিং মখা তানা সবমিসন তৌখি। অদুম ওইনমক ঙসিসু লোইশিনবা ঙমহৌদবদগী অৱাৎপা শরুকশিং কোর্টনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা সবমিসন তৌনবগী মতম লেপখি।

পনবা য়াবদি, মহাক্কী মায়োক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মায়োক্তা এক্স-এম এল এ ৱাই শুরচন্দ্রনা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর-৭ অমসুং ৮সু ফাইল তৌরকপা লৈরিবনি।

GAS NEWS

M /S RAND H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking upto : 19/07/2020
Valid from : 30/06/2020
Stock : 612
Office Contact Nos. : 8413936705/ 9366013547/9862640159/ 8132036940
Time : 8.00am to 12.00noon

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 07/08/2020
Valid from : 06/08/2020
Stock : 306
Time : 7.00am to 10.00am

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 06/08/2020
VALID FROM : 02/08/2020
STK. : 306
TIME : 7:00AM -10:00AM
HOME DELIVERY DATE : 02/10/2020
CONTACT NO : 7005695308, 6009772483

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 24/08/2020
VALID FROM : 18/08/20
19kg AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WIHTIN FOUR (4) DAY
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7085732827
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL 7627964838 & 7627964917
NAOREM LEIKAI 9863131337
CONTACT TIMING 09.00 to 11.00 am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking upto : 17/08/2020
Valid from : 03/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg- 09/09/2020
Valid from-18/08/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing:8:00AM to 2:00PM

HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking upto : 01/10/2020
Valid from 15/09/2020.
Please contact Mobile No. 7085412191
Time: 7:30 a.m to 10:30 a.m.

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 06/08/2020
VALID FROM : 05/08/2020
STOCK : 306
(HOME DELIVERY SERVICE) CONTACT NOS. 1.DILIP- 9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING : 8.00 AM TO 12.00 NOON.

‘হকচাং শাজেল অমদি তূম্বা-চাবা চাং নাইবনা অহল ওইরবশিংগী পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী’

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচএনএস):

ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপ্না লৈবগা লোয়ননা অফবা চিঞ্জাক চাদুনা হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবা অমদি তূম্বা চাবা চাং নাইবনা চহী য়াম্লবা অহল ওইরবশিংগী হকচাং নাদ-য়েক্তনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী হায়না মশাগী চহী ৯৭ রোম শুরবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোংমন জোন ফাইভতা লৈবা পাঙম্বম কুল্লচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনরুবদা অহল ইবুংঙো পাঙম্বম কুল্লচন্দ্রনা হায়, মহাক্না লৈরিবা খোংমন জোন ফাইভকী সোসল ৱর্কর্স কোংগ্রেস ক্লব অসিনা কোনবা এরিয়াদা খ্বাইদগী অহল ওইরবা চহী য়াম্লবা মীওই অসি মহাক্না ওইবগা লোয়ননা ক্লব অসিগী মপোক কুমওন থৌরম মমাঙ চহী ২০১৯দা পাঙথোকখিবা অদুদা মহাকপু খুদোল পোৎ পীদুনা ইকায়খুম্ন বসু উৎপীখি। পি কুল্লচন্দ্র লৈখিদ্রবা পাঙম্বম মুক্তাসিং অমদি পাঙম্বম ওংবী লৈরেন অনীগী মচানুপানি।

কুল্লচন্দ্র অমদি পাঙম্বম ওংবী থম্বালমচা অনীগী মচানুপা তরুক অমদি মচানুপী অহুম লৈরি। মহাক্কী লোয়নবী থম্বালমচাদি কুমজা ২০০৬তা লৈখিদ্রে। মহাক নহা ওইরিঙৌদা যুমগী অহল-লমনশিংগী মতেং পাংদুনা লৌ উবা অমদি ইখ্বোলদা মনা-মশিং থাবনচিংবা থবক কয়া তৌরকই। মসিদা নত্তনা মহাক উ শূবগী থবক তৌবদা নত্তনা উগী যূম কয়াসু শারম্মী।

হৌজিক মহাক মশাগী চহী ৯৭ রোম শুরে। হকচাংদা থোইদোকপা অনা অয়েক য়াওদনা লৈরি। মীৎসু শেংনা উবদা নত্তনা মী মশক খঙবা ঙল্লী অদুবু তাবগী চাংদি খরা হন্থরে। মহাক নহা ওইরিঙৌদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমত্তা চাদে। মহাক শা-ঙাসু অদুম চাই। অদুবু অকনবা পোৎতি চাবা য়াদ্রে। হৌজিক নৌনা য়া হাপ্লগা চাবা থকপা তৌরি। মহাক্না পাম্বা চিঞ্জাক অসি হৌজিক অহল ওইরকপনরা করিনো অথোৎপা অমদি মনা-মশিংনদি খরা হেন্না পাম্মী। মহাক অয়ূক্কী পুং ৪.৩০ অমদি ৫দা নুমিৎ খুদিংগী হৌগৎলগা লম্বীদা ৱাকিং চৎতুনা হকচাং শাজেল তৌই। অয়ূক্কী চাকচা মমাঙদা শঙ্গোম নৎত্রগা চাঙাং গ্লাস অনী রোমদি থকই। অদুগা নুংথিল অমদি নুমিদাংৱাইরমগী মতমদনা চাঙাং গ্লাস অনী রোম থকই হায়রি।

অয়ূক্তা মানা অঙম্বা থবক খরা তৌরগা অয়ূক্কী পুং ১০.৩০ অমদি ১১দা চাক চারগা ঙাইহাক পোত্থাদুনা হিপ্পি। নুমিদাংগী পুং ৭.৩০ অমদি ৮ তাবদা চাক চারগা তূম্মী। চাক শারিঙৌদা চাহৌবা অসি মাগী হৈনবীনি। মহাক পুঙ য়ৈবা অমদি ঈশৈ শকপা য়াম্না পাম্মী। মাগী অপোকপা লৈখিদ্রবা মুক্তাসিং অহল লমনশিংগী ঈশৈ শকপা অফাওবনি। কুল্লচন্দ্র লৈকায়দা থোকপা থৌদোক ৱাথোক্কী অরাংফম্ন চিংবসু খরা চৎলম্মী।

মহাক্কী মচা, মমৌ অমদি মশুশিংনা নিংথিনা থৌগল তৌবীবনা অৱাবা য়াওদনা ৱাখল নুংঙাইনা অয়াম্বা মতমদা লৈ। মহাক নুমিৎ খুদিংগী অপ্রাজিৎত্র লৈনা শেম্বা চা নুমিৎ খুদিংগী থকই। অপ্রাজিৎত্র লৈগী চা অসি ভাইওলেট মচু ওইনা তৌই। অদুনা চম্প্রা মচেৎ অমা থাদরগা মচু অমা ওল্লক্তুনা চা অদু মহাও লৈবা হেল্লি। চাক ঙন্না চাং অমদা চারগা ঙন্না তূম্বা, ঙন্না য়াহৌবা, হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌবগা লোয়ননা পূক্নিং অমদি ৱাখল ঈংনা চিক্না লৈবা য়াম্না মথৌ তাই।

অরোইবদা ওইনা মহাক্না ফোঙদোরকপদা, ঐখোয়না তৌগে খনবা অফবা থবক অদুদি থিন্থদনা তৌনবা হোৎনগদবনি। অদুবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগীদি য়ারিবমখৈ ঐখোয় লাপ্না লৈনবা হোৎনগদবনি। মহাক্কী পোকমীন্নবা মচে খোংমন জোন টুদা লৈবা চনম ওংবী লৈরেনমচাসু মশাগী চহী ১০৩ ফাওবা হিংলম্মী হায়রি।

চহী ১২৪ শুবা ইরাবোত নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচএনএস):

সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম), ওল মণিপুর পাঙ্গল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এ এম পি এস য়ু এম) অমদি সোসলিষ্ট ৱিমেন এসোসিএসন, মণিপুর (এস দব্লিয়ু এ) য়াওনা পুন্না শেমখিবা ইরাবোত নীংশিং থৌরম পাংবা কাঙলুপনা থাউ গ্রাওন্দদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লময়ানবা ইরাবোতকী লাইফ সাইজ ফোটোদা মীয়াম্না ইকাই খুম্নবা উৎখি।

লোয়ননা লময়ানবা ইরাবোতকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ওনলাইন পোইট্রি, আর্টিকল অমদি পেন্টিং কম্পিটিসনগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদসু শেলগী মনা অমসুং মেমেন্টো সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি। কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবা খুদিংমক্তসু সার্টিফিকেটশিং পীখি।

কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক্না মরম ওইদুনা থৌরম পাঙথোকপা মতমদা লৈঙাক্না পীবা এস ও পিশিং ঙাক্না ফেস মাস্ক উপ্পুনা, সোসল দিষ্টেন্সিংনচিংবা তৌদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্ন জেনিমস হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্কতা ‘মান্নবা খুনাইগীদমক্তা কথোক্লবা ঈ’ হায়না মিংথোনবা ব্লদ দোনেসন অমসু পাঙথোকখি। ব্লদ দোনেসন অসি ওক্তোবর ১ ফাওবা পাঙথোক্কনি। থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংলকখিবা খুদিংমকপু ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস প্রেসয়োজিৎ, মণিপুর প্রোলেটরিয়েট পিপল দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন (এম পি পি দি য়ু)গী প্রসিদেন্ট এন মেঘচন্দ্র, সোসলিষ্ট ৱিমেন এসোসিএসন, মণিপুর (এস দব্লিয়ু এ)গী কনভিনর এস বিজয়েন্তি অমসুং সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এস এস য়ু এম)গী প্রসিদেন্ট সোরাইসম য়াইবসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, আর্ট এন্দ কলচর একাদেমি থৌবালনা শীন্দুনা জন নেতা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং থৌবাল ৱাংমতাবা ৱার্দ নম্বর টুদা লৈবা তাইবঙ মহৈকোলদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কুম্মৈরোইশিংনা ত্রেদিসনেল ফোক শোং অমদি মখল মখা কয়াগী কুম্মৈশিং উৎখি। অথোই অহেন চাংদম্নবা অদুদা কুম্মৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা খুদোলপোৎ কয়াসু পীখি।

থৌরম অদুদা ফার্ম মেনেজর কে ভি কে থৌবালগী ডা. ৱাইখোম জিতেন অমদি রিটয়ার্দ হেদ মাষ্টর থৌবাল হৈনাম গম্ভিরনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি। লোয়ননা ওক্রম ইশৈহনবনা লোইশিন ৱারোল পীদুনা কুমওন থৌরম অদু মপূং ফানা পাঙথোকখি হায়না আর্ট এন্দ কলচর একাদেমিগী সেক্রেটরি শামোম রঘুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

অমরোমদা, সোসল রিফোর্মর ক্লব খুরাই পুথিবা/নান্দৈবম লৈকাইনসু ১২৪রকশুবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ইরাবত দে থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চহী অসিগী বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্ভ এগজামদা মায় পাক্লকখ্রবা অফবা মহৈরোয়শিংদা প্লস ফিজমনা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইরাবতকী শক্তমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

নাকল অমরোমদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ইরাবত দেগী থৌরমশিং খুরাই এ সীগী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা পাঙথোক্লখি। খুরাইগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিং লম-তু শেংবা, ইরাবতকী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখিবা মফমশিংদা সোসল ৱার্কর কে ঐচ খম্বা অমদি ভিজন খুরাই ২০২২না কোয়না চৎতুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং, ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর য়াওনা পোৎলম কয়া তেংবাংখি। তেংবাংখিবা অদুগা মরী লৈননা কে ঐচ খম্বনা, লময়ানবা হিজম ইরাবতনা পামজরম্বা ৱাখল্লোনশিং অদু তুংইন্ননা চৎননবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখি।

মীমান্নদ্রবা মীওই ৯দা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচএনএস):

১২৪শুবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং নম্বর ৩৫/১৪ খাঙবোক সোরোক ৱাংমগী মেঙ্গোর মঙাং সপোর্টরস গ্রুপকী য়ুঠশিংনা শীন্দুনা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বর বি জে পি মণিপুর অমদি সোসল ৱর্কর ওইরিবা খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোর মঙাং য়াওনা লৈকাই অসিগী মীমান্নদ্রবা মীওই ৯দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে। লোয়ননা লৈকাই অসিদা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ইমুং অনীদসু চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখি।

তেংবাংবগী থৌরম অদুদা মেঙ্গোর মঙাংনা হায়খি, লৈকাই অসিগী শোত্থরবশিংবু নুংশিবীবা অমদি মতেং পীবগী ৱাখল্লোনবু ইকাই খুম্নবা ওইনা মখোয়না পাঙথোরকপা থৌরম অসিদা অঙম্বা মতেং পীবা ঙমজবা হায়বসি লাইবক ফবনি। ঐখোয় পূম্নমক্না শোত্থরবশিংবু নুংশিবীবা অমদি মতেং পাংমিন্নদুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীমান্নদ্রবা মীওই ৯দা তেংবাংখিবগী থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা পোল্লিং নম্বর ৩৫/১৪ খাঙবোক সোরোক ৱাংমা তাবগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

‘কোভিদ-১৯না শিবা মশিং হেনগৎহল্লগা শেন্থং হেন্না ফংনবা হোৎনরিব্রা হায়বা ৱাহং থোক্লক্লে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচএনএস):

মণিপুরদা কোভিদ-১৯না শিবা মশীং হেনগৎহল্লগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতগী শেন্থং হেন্না ফংননবা লৈঙাক্না হোৎনরিব্রা হায়বা অচৌবা ৱাহং অমা থোক্লক্লে হায়না য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)না ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি এম সুনিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মীওই লাখ কয়া হাত্তুনা খ্বাইদগী তমথিবা লাইচৎ অমা ওইদুনা লৈরিবসিদগী কলহৌনবা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না অয়ৌবী থাক্তা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিমক্না ইংলেন্দ, ফ্রান্স, স্পেন, চাইনানচিংবা লৈবাক কয়াদা অনাবগী মশিং তপ্না-তপ্না হুন্তরক্তুনা মী শিবগী চাং অঙকপা ফংনা হুন্থখরে। অদুবু ইন্দিয়াদদি লাইচৎ অসিগী মপুং ফানা হেনগৎলক্তুনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অনীশুবা মফম কন্দুনা লৈরি। হৌজিক্কী হেনগৎলক্লিবা মশক য়েংলুরবদি থা খরগী মনুংদা মালেমদা লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা লৈপাক ওইগদৌরি। নোংমদা মীওই লাখ অমরোম অনাবা মশিং হেনগৎপদা নত্তনা মীওই লিশিং হেন্না শিহল্লি, ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯ মশক অসি মণিপুরদসু অদুমক থোক্লি। মণিপুরগী মশিং য়ামজদবদগী মশিং য়াম্বা ওইনা উদ্রবসু অপুনবা মীশিংগী চাংদা য়েংলুরবদি য়াম্না ৱাংলি। অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা কোভিন-১৯ নাবা মশিং লিশিং তরা হেন্দুনা অহুমশুবা মফম কল্লি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৬৮ লাইচৎ অসিনা হাৎখ্রে, মীওই ২৫০০ রোম লাইচৎ অসিনা নাদুনা লৈরি। ঙসি মণিপুর লৈঙাক্না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা, কন্নবা অমদি নারিবশিংবু লায়েংদুনা ফগৎহন্নবা মখল-মখা কয়াগী থৌরাংশিং লৌখৎলি। মসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯না নারবশিংগী লায়েংফম কয়া শেল্লি, হন্না লৈরম্বা হেল্থ ফেসিলিটি নৎত্রগা কোভিদ ট্রিটমেন্ট লায়েংবা য়াবা মফম কয়া শেমগত্তুনা হোৎনরি। অদুবু মতাং অসিদা থোক্লিবা ৱাফমদি নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অনাবশিং অসি লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা করম্বা মওংদা লায়েং চত্থরিবগে লোয়ননা অনাবশিং অদুবু ফগৎনবা চত্থরিবা থৌওংশিং অসি কদায় ফাওবা চুল্লিবগে হায়বা অসিনি। মমাংদা থোকখিবা থৌদোক কয়াদা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈহনগদবা, পীগদবা, চত্থগদবা থৌশিল-থৌওংশিং নিয়ম চুম্না অমদি মপুং ফানা চত্থবিদবদগী সেন্টরদা লৈরিবা ইনমেটশিং ইরাং হৌরকখিবা, অকায়-অতোয় থোকহনখিবা কয়া য়াওখ্রে। মদু ওথোরিটিগী লোইনমক শোয়বা ওইদ্রবসু তাঙ্কক কয়াদা অশোয়বা য়াওখি হায়বা অসিমদি য়াম্না ময়েক শেংই।

অমরোমদা, ক্বারন্টিন সেন্টর নৎত্রগা কনাগুম্বা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কন্টেক্ট ট্রেসিংগী মতুং ইন্না মফম মতম চানা টেষ্ট তৌথোকপিদবা, টেষ্ট তৌরবসু রিজল্ট মতম চানা পীথোকপিদবা নৎত্রগা পোজিটিভ ওইরবসু মতম চানা লৌখত্তুনা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা পুখৎপিদুনা লায়েংবীদবগী ৱাকৎ কয়া মশিং থিঙমদনা লমদম অসিদা লৈখ্রে। অসিগুম্লবা লৈঙাক্কী অশোয়বা কয়া য়াওরল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ ক্যেরগীদমক হেল্থ ক্যের প্রোভিদর কয়া লৈঙাক্না হাপখ্রবসু অনাবশিংবু হেন্না ফজনা অমদি মপুং ফানা হেল্থ ক্যের লৌবগী মমি উবা ফংদে। মীওই অমা অনীনা মথৌ নীংথিনা কথোকপগা লোয়ননা তৌজরবসু মীওই কয়া অমনা মথৌ মশক খঙনা তৌদবনা লাইচৎ অসিনা হাৎপা, শিহনবা মশিং হেগৎলকপা তাবনি। হেল্থ প্রোফেসনেল নৎত্রগা হেল্থ ক্যের প্রোভাইদরশিংনা কোভিদ পেসেন্টশিংগা মোবাইলদা ৱারী শান্নরগা হীদাক হেক্তমক থাবগী খুদোংথিবা লৈবা তাবনি লোয়ননা মখোয়না ষ্টিগমা অমুক ৱাংলবদি মীয়ামদদি কমদৌবা তাবগে? পাউচে, টি ভিদা পঙাঙদা ঙাঙবা অমদি ওর্দর পাঙথোক্তা থোকপনা লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙল্লোই হেন্নদুম শাথিনবা মচাক ওইরকপা তাবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঈ কৎপগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচএনএস):

নেসনল ব্লদ দোনেসন দেগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ষ্টেট ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সিলগা খুৎশম্নরগা জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা ভলন্টরিলি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ঈ কৎপগী কেম্প অদুদা আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লুরবা মতম অসিদা ষ্টেট অসিদা ঈগী অৱাৎপা কয়া লাকপা অসিনা ভলন্টিয়রশিংনা মশানা য়ানা চোংথোরক্লগা মীয়ামগী অৱাবদা মতেং খরদা ওইরবসু পাংবা ঙম্নবা ঈ কৎপগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ২২না ঈ পীখি। ঈ পীখিবশিংগী মনুংদা নুপী ভলন্টরি দোনর মঙা য়াওখি। আই আর সী এসকী সেক্রেটরি আর কে নিমাইনা দোনরশিংদা সর্টিফিকেট য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, লায়ন্স ক্লব ইন্টরনেসনলগী ৱান দিষ্ট্রিক্ট ৱান এক্টিভিটিগী মখাদা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশম্নদুনা রিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা ক্লব অসিগী ওফিস বিয়াররশিং, সিনিয়র মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ভলন্টিয়র ২১না ঈ পীখি হায়রি।

ভলন্টিরি ব্লদ দোনেসন কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১(ঐচএনএস):

লাইফ সেভরস মণিপুর এদভোকেট লৈশাংথেম রোসমনি মেমোরিএল ট্রষ্ট, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটর, স্পোর্টস এসোসিএসন ভিজ্যুএলি ইম্পীয়রদ (এস এ ভি আই) মণিপুর, হেন্দিকেপ ফাওন্দেসন মণিপুর, ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর অমদি রিমস, জেনিমস, সীজ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন সর্ভিসেস লাঙ্গোলগা পুন্না খুৎশম্নরগা সীজ ব্লদ বেঙ্কতা সেপ্তেম্বর ২৪ দগী চত্থরকপা ভলন্টিরি ব্লদ দোনেসন কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে হায়না লাইফ সেভরস মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

চয়োল অমা চুপ্না পাঙথোরকখিবা ঈ কৎপগী থৌরম অদুদা মীওই ৫০ না ঈ কৎখি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ষ্টেট ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল মণিপুরগী দিরেক্টর ডা. শগোলশেম ইবুঙোচৌবা, লাইফ সেভরস মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার অমদি সীজ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন সর্ভিসেসকী কন্সল্টেন্ট ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন ডা. সলাম হেমবতিসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এস বি টি সীগী দিরেক্টর ডা. শগোলশেম ইবুঙোচৌবনা হায়খি, কোভিদ-১৯না ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মতম অসিদা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা খুন্নাই অসিগী ভলন্টরি ব্লদ দোনর নহা কয়ানা শরুক য়াখিবসি থাগৎনিংঙাইনি। লোয়ননা ভলন্টরি ব্লদ দোনরশিংদা লেম্না ফেস মাস্ক, দোনর বেজ অমদি সার্টিফিকেট কয়া য়েন্থোকখি হায়রি।

চয়োল অমা চুপ্না পাঙথোরকখিবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প মপুং ফাহনবগীদমক্তা থৌরম অসিদা হকথেংননা লেংবীরক্তুনা শরুক য়াখিবা পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

অপূনবা কেস মশিং ১১,১১১ য়ৌখ্রে...

লামায় ১গী মখা... ২৩১৫ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশিংনা ৮৬৪১ শুরে। ফগৎলক্লবশিং অসিনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৬৮৭৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৭৬৭নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৭.৭৬ ওইরি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ২৪০২না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৮৫৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫৪৫ য়াওরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থৌবালদগী মশাগী চহী ৫০ শুরবা নুপা অমা জেনিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। হৌজিক ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মশিং ৬৮ শুরে। লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলক্তুনা মীওই ১৮১ সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে। আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইবা থেংনবদগী দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি সী এ পি এফকী ১২, হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরম্বা ৩, রিমসতগী ৬, কোভিদ ক্যের সেন্টর থৌবালদগী ৩৩, কোভিদ ক্যের সেন্টর নোনেদগী ১, সী সী সী য়ুনাক্কোদগী ১৭, সী সী সী লম্বোই খোংনাংখোংদগী ৪১, সী সী সী কসোমদগী ১, সী সী সী কাংপোকপীদগী ৬, সী সী সী বিষ্ণুপুরদগী ৯, সী সী সী সদভাবনা মান্দপ চূড়াচান্দপুরদগী ৩৭, সী সী সী লানভাদগী ১৫ নি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা অঙাংশিংদা...

লামায় ১গী মখা... লৈতবা, মহৈ তম্ফমশঙ মতিক চাদবা অমদি অৱাৎপা কয়া লৈবনা এদমিসন লৌবা ঙমখিদে। স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল অমদি ষ্টাফশিংনা স্কুল অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবসু থবক ওইনা ঙসি ফাওবা পাঙথোকপীরক্তবগী থৌওং অসিনা স্কুল অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা অঙাংশিংগী য়াইফনবা থবক অমত্তা লৈঙাক্না খনবিদ্রবরা হায়না ৱারৌই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা স্কুল অসিগী ওজা নিংথৌখোংজম সুনিতিবালানা হায়, স্কুল অসিদা লৈরিবা ওজাশিংদা মতম-মতমগী ওইবা লোকেল সাইন লেঙ্গোয়জ খক নত্তনা অতোপ্পা মপান লমশিংদা শীজিন্নরিবা সাইন লেঙ্গোয়জগী মতাংদা তাকপী তম্বীনবা মপান লমদগী সাইন লেঙ্গোয়জগী এক্সপার্ট কৌদুনা ট্রেনিং পীহন্নিংই। মরমদি অতোপ্পা মপান লমদা শীজিন্নরিবা সাইন লেঙ্গোয়জগা য়াম্না খেৎনবা য়াওবা মরম্না পাউ ফাওনদবগী অৱাবা কয়া ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনসু থেংনরি। মরম অদুনা লৈঙাক্কী অখন্নবা টিম অমা থাবিরক্তুনা স্কুল অসিনা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোরকখি। নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০০৬ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী ওইনা ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা মীওইগী মশীং ৮০০০ হেন্না লৈখি। চহী অসি ফাওবগী মনুংদদি ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা মীওইগী মশীং ফনা য়াম্না হেনগৎলম্লগনি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা দেফ এন্দ মুট স্কুলদা মহৈরোয় ১০০খক তল্লি। মসিনা তাকপদি ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা মীওই লীশিং কয়া মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরি হায়বনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপীদুনা ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা অঙাংশিংগী য়াইফনবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মণিপুরগী অনলোক ২: নৌনা...

লামায় ১গী মখা... হাংহল্লগনি।

শান্নরোয়শিংগী ট্রেনিংগীদমক স্বিমিং পুলশিং লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫ দগী শীজিন্নবা য়ারগনি। অদুমকপু মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসনা পীবা এস ও পি ঙাক্না চৎকদবনি। ওনলাইন টিচিং, য়ুনিভর্সিটি, কোলেজ অমদি স্কুলশিংগী এগজামশিং ওনলাইনদা পাঙথোকপা য়াগনি। স্কুলশিং অমসুং কোচিং ইনষ্টিট্যুসনশিং অমুক হন্না হাংহনবগী মতাংদা দিটেল ওইবা এস ও পি অমদি গাইদলাইনশিং পীরবা মতুংদা তোখায়বা ওর্দর অমা থোক্কনি। হোটেল অমদি রেষ্টুরেন্টশিং হাংবা য়ারগনি। সিনেমা হোল, ঠিএটর, মল্টিপ্লেক্সশিংসু মখোয়গী সিটিং কেপাসিটিগী চাদা ৫০ খক শীজিন্নরগা হাংবগী অয়াবা পীরে। মসিগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা এস ও পি ইস্যু তৌগনি। ইন্টরটেনমেন্ট পার্ক অমসুং মসিগা মান্নবা অতোপ্পা মফমশিংসু হাংবগী অয়াবা পীরগনি। মসিগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা এস ও পি ইস্যু তৌগনি। কন্টেনমেন্ট জোনশিংদদি ওক্টোবর ৩১ ফাওবা লোকদাউন মপুং ফানা চৎনগনি। দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা কন্টেনমেন্ট জোনগী মফমশিং য়াৎথোকপগী থবক পায়খৎকনি হায়নসু পল্লি।

এম পি, এম এল এশিংগী মথক্তা লৈবা...

লামায় ১গী মখা... টুনা ওইগদবনি হায়রি। মরম অসিনা অখন্নবা কোর্ট অনীসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর জুদিসল সর্ভিসতা গ্রেদ ৱান অমা অমসুং গ্রেদ টু অমা অমদি স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী পোষ্ট অনীগী কাদর পোষ্টশিং শেম্নবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা স্পেসল কোর্ট অনীসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ষ্টাফশিংনচিংবগী ফন্দশিং সেঙ্কসন তৌনবসু খঙহনখি।

অদুম ওইনমক লিংখৎকদৌরিবা স্পেসল কোর্ট অনীসি লৈত্রিঙৈগী মমাঙদনা হৌজিক লৈরিবা এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ (ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট), মণিপুর অমসুং চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ইষ্টপু স্পেসল কোর্ট নম্বর-১ অমসুং ২ ওইনা দিজিগনেট তৌনবসু ষ্টেট লৈঙাক্তা দিরেক্সন পীখি। হায়রিবা স্পেসল কোর্ট অনীসিদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ অমসুং স্পেসল এক্টশিংগী মখাদা চত্থখিবা ওফেন্সশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱায়েল চত্থবা ঙমহনগদবনি হায়রি।

অদুগা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরদা হায়কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনশিংদনা সূ-মোতু পি আই এল অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপা খূদিংদা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) অমদগী তাদবা পুলিস ওফিসর অমবু ‘সিনিয়র পুলিস ওফিসর’ ওইনা দিজিগনেট তৌগদবনি। ওফিসর অসি কোর্টতা লাকপগা লোয়ননা কোর্টতা মথৌ তাবা ইনফোর্মেসনশিং খোমজিল্লগা পীগদবনি হায়রি। লোয়ননা দি জি পিনা ফোর্মর/সিট্টিং এম পি অমসুং এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসনশিং লোইশিল্লগা সী আর পি সীগী সেক্সন-১৭৩গী মখাদা থেংথদনা রিপোর্টশিং পীখৎলক্লবসু খঙহনখি।

কোর্টনা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (এফ এস এল), মণিপুরগী দিরেক্টরদসু হায়রিবা কেসশিং অসিগী টেষ্টকী রিপোর্টশিং প্রাইওরিটি বেসিসতা লোইশিল্লগা কেসশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অমসুং স্পেসল কোর্টশিংদা পীখৎলক্লবা খঙহনখি।

পর্সনেল এপিয়ারেন্স একজেমপ্ট...

লামায় ১গী মখা... মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল) নম্বর- ১ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবনি।

মেটর অনীমক ঙসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ২ অমসুং ৩দা পুল্লপ লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি।

কোর্টনা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা ৱাই কান্ত রোয়গী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এম দেৱান্দগী সবমিসনশিং য়াওনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারগা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকপা মিসেলিনস কেসনা তৌরকপা প্রেয়র অনীগী মনুংদা অহানবা ওইরিবা মহাক্কী পর্সনেল এপিয়ারেন্স এগজেমপসনগী ৱাফম অদুদা কোর্টনা অয়াবা পীখি।

অদুবু অনীশুবা প্রেয়রদা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা ক্রিমেনল কন্টেমপ্ট কেস অসি দ্রোপ তৌবীয়ু হায়বগী মতাংদদি কোর্টনা কাউন্টর এফিদেবিট অমা ফাইল তৌরক্লবা কোর্টনা মতম পীখি। কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না ফাইল তৌগদবা কাউন্টর এফিদেবিট অসি য়াম্না ভোল্যুমনস ওইবনা ঈ-ফাইলিং তৌবদা খুদোংচাদবদগী হার্দ কোপি ওইনা ফাইল তৌরবা য়ারি। লোয়ননা মেটর অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক থা অসিগী ১৪দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

গভর্ণর, সী এম...

লামায় ১গী মখা... মথৌ তাই। ঐখোয় ঐখোয়না লৈরিবা মফমশিংগী অকোয়ববু লূ-নান্না থল্লবা মতমদতা নেসনল ক্লিলিনেস দেগী থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক হেন্না লৈহনগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থাদোরকপা পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা চহী খূদিংগী নেসনল ক্লিনলিনেস দেগী থৌরম পাঙথোক্লি। গান্ধীগী ৱাখল্লোনশিং অমদি মহাক্কী থৌদাংশিংবু ঐখোয় খূদিংমক্না নীংশিংদুনা তুংইন্ননা চৎসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মাস কেম্প্যেন তৌহন্দনবা অমদি মীয়াম পুনবা য়াহন্দনবা...

লামায় ১গী মখা... লাপ্না লৈয়ু হায়বসু কনা অমত্তা য়ারোই। ঙসিদগী নুমীৎ ৫/১০ নিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল ফঙ্কসনশিংদা মীয়াম তীনখিবগী মওং-মতৌ অদু পুম্নমক্না খঙন-উনরবা ঙাক্তনি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক মীখল তৌবদা সেফ ওইরে, মীয়াম পুনবদা করিসু কায়দ্রে হায়রগদি ইমা কৈথেলশিং অসি হাংদোকহনবনা হেন্না ফৈ। ইমা কৈথেলশিং হাংননবগী তোঙানবা এস ও পি অমা শেম্বীয়ু। কৈথেলশিং অসিদা মতৌ করম্না পোৎ য়োনগদগে হায়বদু শীন্দোকমিন্নসি। তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা মনা-মশিং য়োল্লিবা ভেন্দরশিং মতৌ করম্না ফল্লিবগে হায়বসি সোসল মীদিয়াদা উনরবা ঙাক্তনি। ইমা কৈথেল অসি অথুবা মতমদা হাংদোকহনবনা হেন্না মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌই হায়না লৌগনি। ইমা কৈথেল হাংহন্দনা থম্বা অসিনা অৱা-অনা অমদি ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়র কয়া পুরিবা ইমা-ইবেলশিংদা চৈথেং পীরিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না অনলোক ৫কী এস ও পিশিং লাউথোকখ্রে। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি কিদুনা তুমীন্না লৈশিল্লগদি শেল-থুমগী ফীভমদা হেন্না অৱাবা চৈথেং ফংগদৌরিবনি। কোভিদকী লাইচৎ লাক্ত্রিঙৈ থা ৭ লোমগী মমাঙদা লৈরম্বা পোৎচৈগী মমলশিং অদু হৌজিক্তি চাদা ৮০ দগী ১০০ ফাওবা হেনগৎপা ফাওবা য়াওরি। পোৎচৈগী মমল হেনগৎলক্লিবা অসিনা কনানা কন্ট্রোল তৌরিবগে। অথুবা মতমগী মনুংদা ওফিসলশিং কৌরগা পোৎচৈগী মমল কন্ট্রোল তৌরে হায়বগী নোটিফিকেসন থোক্লে হায়রগদি অনৌবা মিনিষ্টরদা মীয়ামদা থাজবা হেনগনি। মিনিষ্টর শীনবদগী হেন্না অফবা থবক তৌরক্লে হায়নসু মীয়াম্না লৌনগনি। মিনিষ্টরশিংগী মরুওইবা থৌদাংদি মীয়ামগী অৱাবা য়েংশিনবদুনি। চীন্দা খক মীয়ামগী থবক তৌই হায়না লাউবদু নত্তে।

মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা এ সীশিং অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা মাগী মাগী ফুরিৎখাউদগী ওইরবসু অচঙবা শেল পুথোক্তুনা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপগী মতৌ উরি। থংনবা এ সীশিংগী মীয়াম্ন সু মখোয়গীদি করিগী তৌদ্রিবনো হায়বা ৱাফম লাক্কদৌরিবনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্তা থমজনিংলিবদি পি দব্লিয়ু দিগী মখাদা কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা টেন্দর তৌখ্রবা ৱার্ক ওর্দরশিং অমদি ঈ এস পীথোকপীরো। থবক হৌহনসি। থবক শুবা য়াহনবা মতমদা নোংমগী শুরগা হিংজরিবা শিন্নীশিংগী ইনকমসু লাকচগদৌরিবনি। মীয়ামগীসু চাউখৎপা ফংগদৌরিবনি। পি দব্লিয়ু দি খক নত্তনা অতোপ্পা দিপার্টমেন্টকীসু টেন্দর তৌখ্রবা থবকশিং এদমিনিষ্ট্রেটিভ এপ্রুভেল পীরগা থবক হৌহনসি। হেল্দি সোসাইটি অমা ওইহনবদা লমদম অসিগী মীয়াম্নু মশা-মঙ ফনা লৈহনবা মথৌ তাই। মসিগীদমক ইনভাইনরমেন্টসু ফনা লৈহনবা চঙই। লম্বীদা উফুল ঙাক্তা থুংলবা, দ্রেনদা ঈশিং চেল্লক্তুবদি করম্না ইনভাইরনমেন্ট ফনা লৈহনগদৌরিবনি। মরম অসিনা লম্বী-থোং অমদি দ্রেনশিং ফনা লৈহন্নবা থবকশিং শুহনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।